# দেরাগী লূচিংবা কনভিক্সন পীখ্রবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফিভম রাজনাথ সিংহনা য়েংশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী):



দেরা সচা সাউদাগী লূচিংবা গুরমিট রাম রহিম সিংহবু রেপ কেসতা মরাল লৈরে হায়না কনভিক্সন পীখ্রবা মতুংদা হাৎন-শুনবগী থৌদোক কয়া থোরকপদগী হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হরিয়ানা, পঞ্জাব অমসুং চান্দিগরগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

রাজনাথনা হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খটার অমসুং পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহদা টেলিফোন তৌদুনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংনা লৌখৎপা থৌরাংশিংগী মতাংদা রিপোর্ট লৌখি।

কিরগিজ রিপব্লিক্তগী হেক থুংলবগা এয়রপোর্টতগী নোর্থ ব্লোক্তা লৈবা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসতা হকথেংননা চৎখিবা রাজনাথ সিংহনা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি। মহাক্না অৱাংবা থাক্কী মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা লোয়ননা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি।

ওফিসল অমনা হায়খি, হোম মিনিষ্টরনা সেন্ট্রেল এজেন্সীশিংদা ওইরক্লিবা ফিভম কুপ্না য়েংশিল্লগা তোয়না পাউ পীরক্নবা খঙহনখ্রে। মশানা মশাবু খোইয়ুম লাইগী মতিক-ময়ায় চেল্লি হায়জবা গুরমিট রাম রহিম সিংহবু রেপকী মতাংদা মরাল লৈরে হায়না কনভিক্সন পীখ্রবা মতুংদা খোইশাওনরবা মহাক্কী তুংইনবা কয়ানা হরিয়ানাদা মৈ থাবা অমদি নূং লংশিনবনচিংবা তৌদুনা মফম কয়াদা অমাঙ-অতা থোকহনখি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩২ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই কয়ামরুম অশোক-অপন নংখি।

সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা হরিয়ানা, পঞ্জাব অমসুং চান্দিগরদা পেরামিলিটরি পর্সনেল ২০,০০০ থাজিন্দুনা লো এণ্ড ওর্দর ঙাকপদা লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতেং পাংহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

চৈরকসিদা, হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ভূপিন্দর সিংহ হুদানা মীপূম খূদিংমক ইং-চিক্না লৈবীনবা অপীল তৌখিবগা লোয়ননা লো এণ্ড ওর্দর ঙাকপা হায়বসি ষ্টেট গভর্নমেন্টকী থৌদাংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

দেরা সচাগী লূচিংবা গুরমিট রাম রহিম সিংহবু কনভিক্সন পীখিবদগী হরিয়ানাদা হাৎন-শুনবা থোক্লকখ্রবা মতুংদা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা দিল্লিদসু সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে।

পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনসু ষ্টেটকী মীপূম খূদিংমক ইং-চিক্না লৈবীনবা অপীল তৌখ্রে। মহাক্না হায়খি, পঞ্জাবীশিংনা ষ্টেটকী ইং-তপ্পা ফিভম কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি।

পঞ্জাব পুলিস অমদি সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সেসনা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপগী মথক্তা তঙাইফরক্ত্রবা মতমদা শীজিন্ননবা আর্মি পর্সনেল কয়ামরুম থৌরাং তৌদুনা লৈহনখ্রে।

## আর বি আইনা লুপা ২০০ চৎপী পুথোক্লে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী):

রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)না ঙসি গভর্নর অর্জিৎ পতেলগী খুৎয়েক য়াওবা অমসুং মহাত্মা গান্ধী (অনৌবা) সিরিজদা লুপা ২০০ চৎপী পুথোক্লে।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা অনৌবা শেনয়েক অসি আর বি আইগী অখন্নবা ওফিসশিং অমসুং বেঙ্ক খরখক্তা য়েম্থোক্কনি হায়রি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা আর বি আইনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা জালি নোট পুথোকপা ঙম্লোইদবা মওংদা দিজাইন তৌরগা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক লুপা ২০০ চৎপী পুথোকখিবনি।

শেনয়েক অসিগী মমায়দা ২০০ থাবগা লোয়ননা মহাত্মা গান্ধীগী শক্তম য়াওই। মসিদা য়াওরিবা সিক্যুরিটি থ্রেদ (লং) অশংবনি অদুবু লেংথোক লেংশিন তৌবদা হিগোক মচু ওল্লকই। য়েৎথংবা শরুক্তা আর বি আইগী এমব্লেম য়াওবগা লোয়ননা গভর্নরগী খুৎয়েক য়াওই। অশোকা পিলরসু য়েৎথংবা নাকলদা লৈ।

মনিংথংবা মমায়দনা শেনয়েক নম্বগী চহী, স্বাছ ভারতকী লোগোগা লোয়ননা স্লোগান, লেংগ্বেজ পেনেল অমসুং শেনয়েক্কী মশীং য়াওই। অনৌবা শেনয়েক অসি এম এম ৬৬ পাকই অমসুং এম এম ১৪৬ শাংই।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং থা ১০ রোম লৈরগা পুথোরক্লিবা লুপা ২০০ চৎপীগী শেনয়েক অসি হৌজিকমক্কী ওইনদি এ টি এমদগী লৌথোক্লবগী খুদোংচাবা লৈখিরোই হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তারি।

## অমিত শাহ, স্মৃতি ইরানি রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী) : বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহ অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানি রাজ্য মভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

অহানবা ওইনা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইরকখিবা অমিত শাহনা হিন্দী লোলদা অমসুং স্মৃতি ইরানিনা সঙ্কৃত লোলদা ৱাশক লৌখি। মখোয় অনীবু রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন এম ভেনকয়া নাইদুগী চেম্বরদা ৱাশক লৌখি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা গুজরাটতগী মায় পাকখিবা বি জে পিগী লূচিংবা অনী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যের্স মিনিষ্টর অনন্ত কুমার, ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলি, এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ, ফুদ মিনিষ্টর রাজ বিলাশ পস্বান অমদি লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনচিংবা লূচিংবা কয়ামরুম্না শরুক য়াখি। ৱাশক লৌরবা মতুংদা অমিত শাহনা পার্লিয়ামেন্টতা পার্টিগী লূচিংবশিংগা লোয়ননা বি জে পি ওফিসতা ঙাইহাক লৈরমখি।



## In the High Court of Manipur at Imphal

### W.P.(C) No. 606 of 2017

**In the matter** of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India for issuance of a writ in the nature of Certiorari or Mandamus or any other appropriate writ or writs for quashing/setting aside of the MCSCC exam. 2016 as there has been patent irregularities and illegalities found on accessing the RTI copies of the answer scripts with respect to some candidates, Mal-practice, irregularities, illegalities carried out by the MPSC in the conduct of the Examination, Tampering of Marks, decreasing and increasing of marks, wrong method of tabulation, error in totaling of Marks, forging of signatures, absence of signature of the Examiner, Supervisor, Scrutinizer, etc., Incorrect method of allotting of marks, Arbitrary, malafide and discriminatory way of conduct of MCSCC Exam. 2016.

Shri Yumlembam Surjit Singh, aged about 41 years, S/o Y. Kunjo Singh, resident of Kongba Makha Nandeibam Leikai, P.O.: Singjamei, P.S.: Irilbung, Manipur and 21 Ors.

...PETITIONERS

-Versus-

The Manipur Public Service Commission through its Secretary and 80 Ors. ... RESPONDENTS

To

| | | |
|---|---|---|
| 1 | Loktongbam Leander | Respondent No. 3 |
| 2 | Shenyai Leima Angom | Respondent No. 4 |
| 3 | Khwairakpam Tompok Singh | Respondent No. 5 |
| 4 | Robert Longjam | Respondent No. 6 |
| 5 | Binita Ngangbam | Respondent No. 7 |
| 6 | Teresa Tangpua | Respondent No. 8 |
| 7 | Tongbram Bimolchand Singh | Respondent No. 9 |
| 8 | Paotinsei Kipgen | Respondent No. 10 |
| 9 | Linda Ningombam | Respondent No. 11 |
| 10 | Lianminthang Samte | Respondent No. 12 |
| 11 | Mohammed Gayasuddin Khan | Respondent No. 13 |
| 12 | T. Khaimenlal Haokip | Respondent No. 14 |
| 13 | T. Joseph Lhungdim | Respondent No. 15 |
| 14 | James Konsam | Respondent No. 16 |
| 15 | Sorokhaibam Sitrajit Singh | Respondent No. 18 |
| 16 | Premandi Okram | Respondent No. 20 |
| 17 | Yengkhom Jivan Singh | Respondent No. 21 |
| 18 | L. Thanggoulien Khongsai | Respondent No. 28 |
| 19 | K. Lunlenmoi Vaiphei | Respondent No. 30 |
| 20 | Shonjakhup Haokip | Respondent No. 31 |
| 21 | Shiekh Assif Shah | Respondent No. 32 |
| 22 | Thingbaijam Kamaljit Singh | Respondent No. 33 |
| 23 | Ningthoujam Lamjingbi | Respondent No. 34 |
| 24 | Laishram Bhagat Singh | Respondent No. 35 |
| 25 | Samukcham Jemmy | Respondent No. 36 |
| 26 | Soraisam Anuka | Respondent No. 37 |
| 27 | Atom Limananda Singh | Respondent No. 38 |
| 28 | Laiphrakpam Thomson | Respondent No. 39 |
| 29 | Ngangbam Sanatombi | Respondent No. 40 |
| 30 | Reema Haobam | Respondent No. 41 |
| 31 | Sapam Nirva Devi | Respondent No. 42 |
| 32 | Julia Khuraijam | Respondent No. 43 |
| 33 | Susma Sharma Gurumayum | Respondent No. 44 |
| 34 | Heisnam Romio Singh | Respondent No. 45 |
| 35 | Charan Kumar Asem | Respondent No. 46 |
| 36 | Ngangbam Romia | Respondent No. 47 |
| 37 | Rajshree Yambem | Respondent No. 48 |
| 38 | Rajkumari Sanjukta | Respondent No. 49 |
| 39 | Victoria Huidrom | Respondent No. 50 |
| 40 | Thokchom Sundaraj Singh | Respondent No. 51 |
| 41 | O. Poireingamba Khumancha | Respondent No. 52 |
| 42 | Moirangthem Gautam | Respondent No. 53 |
| 43 | Irungbam Julius Singh | Respondent No. 54 |
| 44 | Sonia Haobijam | Respondent No. 55 |
| 45. | Ningombam Rabichandra Meetei | Respondent No. 56 |
| 46 | Ningthoujam Nishikanta Singh | Respondent No. 57 |
| 47 | Yumlembam Paramveer Singh | Respondent No. 58 |
| 48 | Yumkhaibam Jayalakshmi Devi | Respondent No. 59 |
| 49 | Tayenjam Clinton Singh | Respondent No. 60 |
| 50 | Laishram Tarajeet Singh | Respondent No. 61 |
| 51 | Heisnam Rameshchandra Singh | Respondent No. 62 |
| 52 | Md. Hefajuddin | Respondent No. 63 |
| 53 | S. Tryphena Reikhenamai | Respondent No. 64 |
| 54 | Mohammed Nazmul Huda Khan | Respondent No. 65 |
| 55 | Michael Fimliensang Fimate | Respondent No. 66 |
| 56 | PF Lophro | Respondent No. 67 |
| 57 | Md. Farijuddin Khan | Respondent No. 68 |
| 58 | Aruw Kayina | Respondent No. 69 |
| 59 | Kaongamliang Riamei | Respondent No. 70 |
| 60 | Ramrupam R. Shimray | Respondent No. 71 |
| 61 | Kasar Chonchui | Respondent No. 72 |
| 62 | Robert Lhungdim | Respondent No. 73 |
| 63 | T. Chinkhansiam | Respondent No. 74 |
| 64 | Gaishingthui Gangmei | Respondent No. 75 |
| 65 | Glory Chingthiankim SP | Respondent No. 76 |
| 66 | Yumnam Dhanendra Singh | Respondent No. 77 |
| 67 | Maibam Gautam Singh | Respondent No. 78 |
| 68 | Purbashree Sanglakpam | Respondent No. 79 |
| 69 | Dinesh Thingom | Respondent No. 80 |
| 70 | Laikangbam Kherju | Respondent No. 81 |

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C (SUBSTITUTED SERVICE)**

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 16.08.2017 passed in WP(C) No. 606 of 2017 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 3 to 16, 18, 20, 21, 28, 30 to 81 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local dailies, one in English and one in local varnacular for two consecutive days returnable i.e. on or before 15.09.2017.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before 15.09.2017 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard, the Case will be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 24th day of August, 2017.

**By Order**
**M.C. Nandi**
Assistant Registrar-I
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

**By : Ms. G. Pushpa, Advocate**
Dated, Imphal
The 24th day of August, 2017

HL-P/2659/26&27


## অসামগী ঈচাউদা শিখিবা মীওই ১৫৬ শুখ্রে



গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী) :

অসামগী দিষ্ট্রিক্ট মাপন্দা লৈবা মীওই লাখ ৪.৫ ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শিখিবা মীওই ১৫৬ শুখ্রে।

অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এ এস দি এম এ)গী রিপোর্টনা হায়খি, খুঙ্গং ৬০৬ হৌজিকসু ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরি। ধুব্রি দিষ্ট্রিক্তা ঙসি মীওই অমা ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা শিখি। মসি থারগা চহী অসিগী ওইনা অসামদা ঈচাউগা মরী লৈননা শিখিবা মীওই ১৫৬ শুরে। গুৱাহাটিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই নিপান ঈচাউনা মরম ওইরগা শিখ্রে।

ধেমাজি, লখিম্পুর, বর্পেতা, চিরাং, সাউথ সলমরা, গোলপরা, মোরিগাউন, নাগাউন অমদি গোলাঘাদ দিষ্ট্রিক্তা মীওই লাখ ৪.৩১ ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরি হায়না এ এস দি এম এনা ফোঙদোকখি। স্কাইমেট ৱেদরগী রিপোর্ট মতুং ইন্না লাক্কদৌরিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট অসিদা অকনবা নোং চুখিগনি হায়রি।

অসামদা নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী মফম কয়াদা ঈচাউ থোকপগা লোয়ননা মোরিগাউন দিষ্ট্রিক্তা মীওই ১৩ শিখ্রে। হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিগী খুঙ্গং ৩৯৩দা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরি।

ময়ুম-মকৈ ঈশিংদা থুমজিনখিবদগী লৈফম লৈত্রবা মীওইশিংনা শাফগদবা মফমদা তেন্ট খন্দুনা অৱাবা খাংলবসু মতিক চাবা তেংবাঙগী পোৎলম অমত্তা য়ৌহল্লক্তবগী মতাংদা মীওই কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোক্লখি।

ওগষ্ট ১৮দা গভর্নর বনৱারিলাল পুরোহিতনা অসামদা থোক্লিবা ঈচাউগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখিবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল টিম অমা থাবীরক্নবা হায়জবা লৈখ্রবনি। চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনসু প্রাইম মিনিষ্টরদা মতেং পাংবীনবা হায়জবা লৈখ্রে।

হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিগী মহৈ-মরোং উবা লৌফম হেক্টর লাখ ১.১৮ ঈশিং থুমজিনবগা লোয়ননা মীওই ৫১,১৯২ ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নবা লৈখ্রে।

অমরোমদা, ব্রহ্মপুত্রা তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপদগী কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ক ঈশিং থুমজিন্দুনা পার্কতা লৈবা শা কয়ামরুম শিরে হায়রি।

## পাকিষ্টাননা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফকী জৱান ১ শোক্লে

শ্রীনগর, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী) :

জম্মু এন্দ কাশ্মীর আর এস পুরা সেক্টরদা পাকিষ্টাননা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী জৱান অমা শোক্লে।

ঙাইহাক লৈতনা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীচম অমদি সিক্যুরিটি পার্সনেল কয়া শিখ্রবা মতুংদা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা পুঞ্চ সেক্টরগী চকন-দা-বাঘতা বট্টালিয়ন কম্মান্দর থাক্কী ফ্লেগ মিটিং পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাঙবুনা ঙমখৈদা পাকিষ্টান আর্মিনা মতেং পাংবা টেররিষ্ট কয়া তোয়না চঙলকপা অমসুং মীচম তাবা মফমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী ৱাফম পুখৎখি।

নাকল অনীনা চকন-দা-বাঘ ফাওরগা অমুক হন্না লল্লোন-ইতিক্কী থবক তৌবগী মতাংদা খন্নখি হায়রি। মিনিট ৫০ রোম চথখিবা মীফম অদুদা নাকল অনীমক্না ঙমখৈদা য়ারিবমখৈ খুৎ থোক্লদনবা হোৎনবগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্নবা হোৎন-মিন্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি।

হন্দক মরক পাকিষ্টাননা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) পরিংদা সিজ ফায়র থুগাইবগী থৌওং তোয়না চথুরকপগা লোয়ননা চহী অসিগী মনুংদা সিজ ফায়র থুগাইবগী থৌদোক ২৮৫ থোকখ্রে। কুমজা ২০১৬ তদি সিজ ফায়র থুগাইবগী থৌদোক ২২৮ থোকখিবনি।

অৱাংথংবা কাশ্মীরগী হন্দৱারাদা সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবদা লৈখিদ্রবা মীওই অমা মীচমনি হায়বা খঙলকপদগী মীয়াম্না মফম অদুদা অকনবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকপা লৈখ্রে। সহিদ বাসির মির কৌবা মশাগী চহী ২১ শুবদা ঙাইরিবা লৈখিদ্রবা মীওই অদু হন্দৱারাগী গভর্ণমেন্ট দিগ্রী কোলেজগী মহৈরোয়নি হায়না ষ্টেট পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেল এস পি বাইদনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।



## সেন্টর, আই-এমগী পিছ টোক্তা খুরৌ থাংলে

দিমাপুর, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী) :

নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালিম-আইজাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)না নাগালিমগী তোকখায়বা কন্সটিট্যুসন অমা লৈহনবগী ৱাফম হৌদোরকপনা মরম ওইরগা সেন্টরগা চথুরিবা পিছ টোক্তা খুরৌ থাংলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সোর্ছ অমা পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা এন এস সী এন (আই-এম)না পুখৎলকপা নাগা তাবা মফমশিং পুনশিনবা অমসুং নাগাশিংগী তোকখায়বা ফিরাল অমা লৈহনবগী ৱাফমদা সেন্টরনা য়ানিংবগী ইঙ্গিৎ পীখিবা তারবসু তোকখায়বা কন্সটিট্যুসন অমা লৈহনবগী মতাংদদি সেন্টরনা অয়াবা পীখিদ্রে। মসিনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা ন্যু দিল্লিদা নাকল অনী ৱারী শানখিবদা এন এস সী এন (আই-এম)না নাগাশিংগী তোকখায়বা কন্সটিট্যুসন লৈহনবগী ৱাফম পুখৎলকখি হায়রি। ৱারী শানবা অদুদা মুইভানা আই-এমগী মীহুৎ কাঙবুশিং লূচিংখি অমসুং সেন্টরগী মায়কৈদনা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা লূচিংখি হায়রি।

## শীংনরকপা পূন্নমক মায়োক্নবা শেম শারে : এয়র চীফ মার্সল

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ)না শীংনরকপা খূদিংমক মায়োক্নবা শেম শারে হায়না এয়র চীফ মার্সল বিরেন্দর সিংহ ধানোৱানা ফোঙদোকখ্রে।

দোক্লামদা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী লান্মীশিং মুক্নবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদাকখিবনি।

ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ এরোস্পেস মেদিসিননা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৫৬শুবা চহীগী মীফম হৌদোক্নবগীদমক এয়র চীফ মার্সলনা সিটি অসিদা লাকখিবনি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়ানা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এল এ সী) পরিংগী লদাখ মনাক্তা লৈবা পাঙ্গোং লেক ময়াদা কিলোমিটর ২০ শাংবা লম্বী অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা চাইনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে।

ন্যু দিল্লিনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অদুনা থা ২ রোম শুরবা নাকল অনীগী মুক্নবদা হেন্না ইনোৎ হাপ্তুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন হুৱা চুনয়িংনা ফোঙদোকখি।



পনবা য়াবদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা মার্সিমিক লাদগীনা লদাখকী হোট স্প্রিং ফাওবা লম্বী শেম্নবগী মতাংদা অয়াবা পীবা লৈখ্রবনি। নাকল অনী মুক্নরিঙৈগী চৈরক্তা ইন্দিয়ানা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা দোক্লামদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেননা থাদোরকপা ৱারোল পল্লদুনা মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)না এল এ সীগী মফম কয়াদা তোয়না ঙমখৈ লানশিনবগী থৌওং চথুরকপা য়াই হায়না চাইনিজ মিলিটরিগী লাল্লোং মুন্না খঙবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পি এল এনা চাইনা-ভুতান-ইন্দিয়াগী লোন্নবা ঙমখৈদা চঙশিন্দুনা ইন্ফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদবা মরম্না উত্তরখন্দ, হিমাচল প্রদেশ অমদি লদাখনচিংবা মফমশিংদা ঙমখৈ লানশিল্লকপা য়াই হায়রি।

দোক্লামদা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং মুক্নরিঙৈগী চৈরক্তা উত্তরখন্দ অমদি হিমাচল প্রদেশতা চাইনাগী লান্মী চঙলকপগী থৌদোক লৈখ্রবনি। দোক্লামদা পি এল এ চঙলক্ত্রিঙৈ মমাঙদসু চাইনানা উত্তরখন্দগী নোংথক লম্বী লান্না ফাইটর জেট পাইশিল্লকপা লৈখ্রে। য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী এল এ সী সেক্টর অহুম থোক্না খায়দোক্লি। ইষ্টর্ন সেক্টরদা অরুনাচল প্রদেশ, সেন্ট্রেল নৎত্রগা মিদ্দল সেক্টর সিক্কিম, উত্তরখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেশ লোয়ননা ৱেষ্টর্ন সেক্টরদনা লাদাখ অমদি কাশ্মীর লৈ।

দোক্লামগী মতাংদা য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনী মুক্নরিঙৈগী চৈরক্তা চাইনানা মিলিটরিগী পোৎলম কয়ামরুম টিবেটতা পুশিল্লকপা লৈখ্রবনি। চাইনাগী ৱেষ্টর্ন থিএটর কম্মান্দনা মিলিটরিগী পোৎলমশিং অদু অৱাং থংবা টিবেটতা পুশিল্লকখিবনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

## সুপ্রিম কোর্টনা ট্রিপল টলাক থিংখ্রবা মতুংদা মপুরোইবনা মহাক্কী লোয়নবী খাইনখ্রে

মিরুট, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী) :

সুপ্রিম কোর্টনা ট্রিপল টলাক খুদক্তগী অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী মিরুটতা লৈবী মশা ৱাই শঙদ্রবী নুপী অমা মপুরোইবনা ট্রিপল টলাক্কী খুত্থাংদা খাইনখ্রে।

কমরা নৱাবান মোহলাদা লৈবী নুপী অদুনা পুলিসতা ৱাকৎলকপগী মতুং ইন্না অউনপোৎ য়ামদে হায়বগীদমক মহাকপু মপুরোইবনা তমথিনা ওৎ-নৈবগা লোয়ননা ময়ুমদগী তান্থোরকখিবনি হায়রি।



পুলিসনা থৌদোক অসিগী মতাংদা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা নুপা অদুগী মথক্তা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে।

ট্রিপল টলাক্কী খুত্থাংদা খাইনবীখ্রবী নুপী অদু চহী ৬কী মমাঙদা ময়ুম পান্দুনা মচা অহুম লৈরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা জামিয়াত উলামা-ঈ-হিন্দনা হায়খ্রে মদুদি, চহী ১,৪০০ হেন্না চৎনদুনা লাক্লবা ট্রিপল টলাক মখা তানা চৎনখিগনি।

সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অদু সারিয়াগী মায়োক্তনি হায়না পল্লদুনা জামিয়াতকী জেনরেল সেক্রেটরি মৌলানা মহমদ মদানিনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টনা পীনিংবা ৱায়েল পীরবসু ইস্লামিক কোদকী মতুং ইন্না হৌজিকসু ট্রিপল টলাক মখা তানা চৎনরি হায়না লৌগদবনি।


HL-B/4054/4to3 Sept.

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH

DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI

(**)1st PAYMENT 5 LAKH [TOTAL PACKAGE 20L]
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES

We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY and BENGALI (Language) by our RENOWNED PROFESSORS with audio and Visual Class Beforehand

B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm.,B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI

BAMS Ayurvedic Few SEATS

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
9856167106 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com